ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯸, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওগষ্ট ১৮, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৩৯ শুবা মশীং

# অশেংবা অমদি হায়রোদনা

## *কন্সটেবল ওইগদৌরিবশিংনা নুঙনা থাবা চুস্লোই*

***মণিপুর*** লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিং থবক পীননবা অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা হোদুনা লৈরিবা পুলিস পার্সনেলশিং মেনশিন্ননবা কুমজা ২০১৪ দা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) গী পোষ্ট ১২০০ রোম লৌননবা নোটিফিকেসন থোকখি। নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না দি পি সী অদু আই পি এস ওফিসর টি ঐচ রাধেশ্যামনা চ্যেরমেন ওইরগা পাঙথোক্লনবা শীন্নখি। তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা নহারোলশিং লাক্তুনা পুলিস লৌননবগী পাঙথোকখিবা ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট, অইবা চাংয়েং অমসুং ভিভা ভোসি লোইরমদাই শরুক্তা কনাগুম্বা খরনা কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী পাঙথোকখিবা দি পি সী অদু লোইশিনবা ঙমদবা খরসু য়াওখি। কায়নথংদা দি পি সীশিং অদু পুল্লপ লোইশিনখি। পাউ অমগী মতুং ইন্নদি দি পি সী অদুগী ফল লাউথোক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌননবা মরী লৈনবা চে-চাংশিং লৈঙাক্তা পীখৎখ্রে হায়না তাই। অদুবু লুরিবা ৱাফম অমদি ইগজাম অসি কোর্টনা অথিংবা থমখিবনা মরম ওইরদুনা হায় কোর্টকী য়াথং অসি কক্লবা হোৎনদ্রবদি লৈঙাক্কী ইচম-চম্না য়াথং অমনদি দি পি সী অসিগী ফল লাউথোকপা য়ারোই। অসুম্না চয়েৎনবা ৱাফম অসি কমদৌনা লাকখিবনো হায়বগী মতাংদা ইনক্কারি অমা তৌননবসু লৈঙাক্না য়াথং পীখিবা লৈতে। মরক অসিদা দি পি সী অসিদা শরুক য়াখিবা ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট মায় পাক্তুনা ভিভা ভোসি শরুক য়াখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা দি পি সী অসি হায়দোক্লনবা লৈঙাক্তা য়াম্না কনবা প্রেসর পীরকপা কুইশিল্লক্লে। লন্বী-লমজাওদা প্রোটেষ্ট তৌরম্বদগী বন্দ-ব্লোকেট য়াওশিল্লক্তুনা মীয়ামগী পুন্সিরোলদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লে। মখোয়না তৌরিবা বন্দ নৎত্রগা ইকোনোমিক ব্লোকেট অসি মখোয় খরখক্কী ওইবা দিমান্দ ওইবনা মীয়াম্না শৌগৎপগী মওংসু নীংথিনা উবা ফংদে। মসিমক্না মরম ওইরগা মণিপুরগী মীয়াম্না অসিগুম্বা ইস্যুদা বন্দ নৎত্রগা ব্লোকেট তৌহন্নিংবা পোল্লক্লোই। মদুগী মহুত্তা লোগী কাঙলোনদা চুমদবা ওইরগনা কোর্টকী মতেং লৌরগা দি পি সী অসি হায়দোকহন্নবা শিনবা চুমগনি।

লৈঙাক্কী থৌবাংলোয়বু ওইরবসু, মীচম মীয়ামবু ওইরবসু করিগুম্বা দিমান্দ অমা ফংনবা প্রোটেষ্ট তৌবদা কনাগুম্বা মীওই খরদা অপনবা থোকহল্লবদি প্রোটেষ্ট মখল অদু লৈবাক অসিগী লোনা য়াদে হায়বসিমা ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নগদবনি। দিমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াদা দিমান্দ অমা ফংননবগীদমক প্রোটেষ্ট চথবা য়াই, অথিংবা লৈতে। তৌবতদি চথগদৌরিবা প্রোটেষ্ট অদুনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা অপনবা পীবা য়াদে হায়বসি খঙলগা মীওই খরনা প্রোটেষ্ট তৌরকপদা লন্বীগী মতাইদা ৱাকৎ-মীফম্নচিংবা ফল্লিবসি অফবা খোঙথাংনি। পুলিস কন্সটেবলগী ফিজিকেল অমদি রিটুন টেষ্ট মায় পাকখ্রবা পার্সনেল লিশিং ১ হেনবনা মখোয়গী অনীংবা-অপাম্বা ফংননবা প্রোটেষ্ট তৌবসু লৈবাক অসিগী লোনা অথিংবা পীদে। মখোয়না ফোঙদোক্লিংবা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লনবা খোঙচৎ চৎচগে, অহৌবা মাইক পান্দনা মীয়ামগী মীফম ফমগে নৎত্রগা বন্দ তৌরগা মীয়াম্না শৌগৎলিব্রা হায়বদু লৈঙাক্তা খঙহন্ননবগীদমক চথবনচিংবা থবক থৌরমশিং অসিদি লোনসু য়াই হায়বা তাবনি। মরক অসিদা প্রোটেষ্ট তৌরিবনি হায়দুনা লন্বীদা পোৎ-চৈ পুদুনা লাকপা, মপুসু নত্তবা তোলোপ খরগীদমক গাড়ীগী হেন্দিমেন অমসুং দ্রাইভর ওইদুনা পুন্সি লেপ্লিবা মীচম মীয়ামদা নুঙনা থারগা মী শোকহনবা হায়বসিদি অচুম্বা থৌওং নত্তে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদা পুলিসনা তুমিন্না লৈশিনবসু চুস্লোই। মীওইবগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপদা লৌরিবা পুলিসকী থৌদাং অদু কাওথোক্ল বদি খুন্নাই অসি কাং-খোং চাইবা ফীভম অমদা লাক্কনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি পুলিস কন্সটেবল ওইগনি, মীয়ামগী লন-থুম পুন্সি কনবদা থৌদাং লৌগনি হায়না পুলিস লৌননবা দি পি সীদা শরুক য়ারিবা কাঙবুশিংনা নুঙনা থোমদুনা গাড়ী দ্রাইভর শোকহনবা হায়বসিমদি খ্বাইদগী চুমদবা, অরানবা খোঙথাংনি হায়দবা য়ারোই। ঈং-তপ্পা মখলগী প্রোটেষ্ট তৌবগী মহুত্তা মীচম মীয়াম শিবা য়াবা থবক তৌরক্লবদি মখোয়না পুলিস কন্সটেবল করিগুম্বা ওইরকপা থোক্লবদি মখোয়গী লীচৎ অসিনা তুংদা করি থোক্লগবা হায়বা ৱাফম অমা থোরকপা য়াই। মীয়ামগী সার্ভিস তৌগে খল্লিবা কাঙবুনা ঈ-নাই তানবগী ৱাখল্লোন চেনবা চুস্লোই। দিমান্দ ফংননবা ইচম-চম্বা, মীঙোন্দসু কায়রোইদবা মখলগী প্রোটেষ্ট তৌহন্নিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## অশোয়বশিং চুমথোকমীন্নসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরগী** ইনাৎ- তাইবঙ মহৈকোল হাংদোকপগী থৌরম য়েংলুবদা ইকায়বা পোকই, অশোয়বনা পীক থন্না লৈরবা অসিগুম্বা তাইবঙ মহৈকোল মালেমগী অতৈ মফমদা লৈরস্লোই। তাইবঙ মহৈকোল অমগী লৈগদবা, য়াওগদবা মচাক পূম্নমক মফম মরাং খঙদনা পংহাপ্তা হাপচিনবা, শিন্থোং খঙদবা ওইনা উহনবা অসিদি মালেমগী মীমাংদা ইকায়বা পোকই।


অহানবদা ইরমদমসিগী ইনাৎ তাইবঙ মহৈকোল অসিগী শক্তম তাকপা (লোগো) অদুদা য়াওরিবা চিরোংদু অরানবা চিরোংনি। মদুগী চিরোং অদুনা ফোঙদোক্লিবা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদু করিনো? ইরমদম অসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মাগী মাগী ফুরুপ অদু মশক তাকপা চিরোংশিং লৈজে। ইনাৎ-তাইবঙ মহৈকোলগী শক্তম তাকপা (লোগো) অদুদা শীজিন্নরিবা চিরোং অদু করম্বা ফুরুপকী চিরোংনো? মদু তাইবঙ মহৈকোল অসিগী থৌবুরেন ওইবিরিবশিংনা মীয়ামদা খঙহনবীগদবনি। ইনাৎ তাইবং মহৈকোলদা চৎনলোন য়াওদবা মওংদা পংতৌ তৌশিনবা অচুম্বা ওইরোই। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, গভর্ণর য়াওবা থৌরম অমদা ইনাৎ তাইবঙ মহৈকোল মাইখুম হাংদোকই অদুগা ফিল্ম অমসুং টেলিভিজন মহৈ লোইশঙ হাংদোকপদা তরাম্না ওকখিবা ইকায় খুম্নজরিবা আই এ এসনা মণিপুরগী লৈমায়দা লিংখৎপা ইনাৎ তাইবঙ মহৈকোলগী মীতিন্দা লেংবীরকপশিং তরাম্না ওকচবা ৱারোলদা মণিপুর মচা অমা ওইনা মণিপুরী লোন মচেৎ অমত্তা য়াওদনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখিবা লোয়নননা ইনাৎ তাইবঙ মহৈকোলগী ভি সিনা পীখিবা ৱারোলদা মণিপুরী মচেৎ অমত্তা য়াওহন্দনা ঙাঙখিবা ৱারোল তাবদা পূক্নিং নুংশিবা পোকই। ইনাৎ তাইবঙ মহৈকোলগী ভি সিনি হায়দুনা মীয়ামদা চাওথোকচবা পোকচবা অদুগা ফিজেৎ চাকচেৎকী মতাংদদি নুংঙাইতবা পোকচৈ।

লমদমসিগী ইপা ইপুশিংগী লৈজরম্বা কলচরবু অসিরা হায়দুনা মীনা নোক্নরমগনি। মণিপুরী লোল ইন্দিয়াগী নিপান শুবা সেদুলদা চল্লে হায়রিবা লোন্দু মীতৈ মচা অমা ওইনা শীজিন্নবিদবা করি মরম লৈবগে। অকোনবদা চাওথোকচনিংঙাই ওইবা মীৎতগী পিরাং শিন্থখিবা খঙহৌদবা অমনা লোইবী চীংদগী তাইবঙ মীরোল নীংথিনা তম্বীরবা চেক্লা মচা অমনা মমা লৈবাক্কীদমক নিংথিরবা তাম্না কৌবী চেক্লাগী খোঞ্জেন্দা শোয়খিগদ্রা কিজবগী তনিকপা মতৌদা ঙাঙলকপা মণিপুরী লোন অতাবা অউবশিংনা কাউঙল্লোই। লোয়নননা ইচিন ইনাও ময়াম পুমঙাও ঙাওরবসু ঙাওদবা ইয়াম্বা অমদি লৈঙাকসিদা য়াওরি খল্লুবদা হরাউ নুংঙাইবা পোকই। মসিগীদমক শিংবা ঙম্লরোইদবা লমন তোনশিনজরে। ঐখোয়গী শক্তম ঐখোয়না তাক্লবা হোৎনদ্রগা কনানা ঐখোয়গী শক্তম তাক্কনি। ইশানা ইশাবু য়োনবসি তোকসি, অশোয়বশিংসি অচৌ অশাংশিংনা মাঙ থানা চুমথোক্লবা হোৎনবীয়ু। অসিগুম্বা অশোয়বশিং মতুং থোক্তনবা পূন্না হোৎনমিন্নসি।

*অদোমগী- ৱাই মীরেনখোম্বা মৈতৈ, প্রসিদেন্ট, কংলৈ সলাই অপূনবা লূপ, ইম্ফাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১। ‘অচাইবা লৈ’ করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২। ‘ইচে’ শৈরেং ইবদা মমিং লৈখিবা কবিদু কনানো?
৩। ঙসি ফাওবদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা নুপী অইবী কয়া শুরবগে ?
৪। ‘হয়ৱদন’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ফিল্ম ইন্সটিট্যুটনা শাফোংলকপদা - ১

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

**সিনেমাদা** ঙাওদবা মী লৈতে। ৱাহৈসিবু হায়মনবা থোক্কদরা? মণিপুর অমদি ইন্দিয়াখক্তগী ৱা নত্তে মালেম পূম্বগীনি। পূক্নিং ৱাখলবু ঙাইহাক পোত্থাহনবা, নুংঙাইহনবা (এন্টর্টেনমেন্ট) মীওইবা খুন্নাই লিংবা হৈত্রিঙৈদে হৈনরক্লবা মচৎনি। মশাগী অপেনবা ফংনবা অতোপ্পবুসু নুংঙাইহন্নবা থবক থিবদগী ওইরকই ‘ক্রিএটিব মাইন্দ’। মীওইবগী ক্রিয়েটিব ওইবা পূক্নিংদুগী পোত্থোক্লি - আর্ট (কলা)। জগোয়, ঈশৈ, হকপা-খোৎপা, য়েকপা-ইবা অসিনচিংবা আর্ট মখল কয়া মথং মথং পোক্লকই। পূক্নিং ইহুল অমদি খূৎ-শানা শেম শাবা কলাগী পোত্থোকখক্তদগী হেনবা ঙম্লমদবা মীওইবগী কলাগী তাইবঙ, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি চাওখৎলকপনা, পাকথোক চাউথোক্লকপগী ঙমখৈ লৈতবা তাইবঙ অমা ওইহল্লকখি। ফোটোগ্রাফিনা চাওখৎলকপদগী শায়োল্লকপা ‘সিনেমাটোগ্রাফি’ না ফিল্ম-আর্ট খুদোল্লকখি। ফিল্ম হায়রিবা আর্ট অসি তশেংবমক্তি ‘থিয়েটর’ হায়বা আর্টতুগী শিয়োমনুংদগী থোক্লকপনি। ফোটোগ্রাফি’না মপানি।

ঙসিদি সিনেমা (ফিল্ম আর্ট অসিবু মীৎনা উবা শক্তম ওইনা উহল্লিবা মমি), মালেমদা মীওইবনা পুথোকখিবা আর্টিষ্টিক ইন্দষ্ট্রি পূম্নমক্তে অথোইবা কুম্মৈ হায়বদু ওইরে। লৈপাক খুদিংমক্তা ‘ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি’ - খ্বাইদৈ চাউবা ‘এন্টর্টেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রি’ নি। ইন্দিয়ন ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি - দোল্লর বিল্লিয়ন কয়াগী ইন্দষ্ট্রিনি। মালেমগী ওইনা ফিল্ম মশিং খ্বাইদৈ য়াম্না পুথোকপা লৈবাক অমনি ইন্দিয়া। চাংচত্তা চহীদা ফিল্ম লিশীং অনী হেন্না পুথোক্লিবা লৈপাকনি। ফিল্মগী অফাওবা কলাকারশিংবু লাইগুম লাৎচবা লৈপাক্লি। য়াম্লিবা মীশিংসি য়েংলুরগা ইন্দষ্ট্রিএল এক্সপার্টশিংনা হায় - ইন্দিয়ন ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি, দোল্লর বিল্লিয়ন তরাদগী তাদনা শেন্দোং ফংগদবা (ফংফম থোকপা) ইন্দষ্ট্রিনি। অদুবু কুমজা ২০১৫ দা ইন্দিয়ন ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদগী দোল্লর বিল্লিয়ন অনীদগী হেন্না তানখিদে। শেনফম অসি নোর্থ অমেরিকান ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি’না তানখিবা শেনফম অদুগী মঙা থোকপগী অমা ফাওবা য়ৌঙমদে। মীশিংদদি নোর্থ অমেরিকান পোপুলেসনগী শরুক অহুমনি ইন্দিয়া। ফিল্ম মশীংদা ইন্দিয়ানা পুথোক্লিবা মশীংদা তঙ্খায় ফাওবা য়ৌদবা জপানগী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিয়ল ইকোনোমিনা ইন্দিয়াদগী ফবা হেল্লি। চাইনিজ ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিনা তানবা শেনফম অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা য়ৌদে ইন্দিয়াগী।

মালেমদা খ্বাইদগী ফবা, খ্বাইদগী চাউবা ইন্দষ্ট্রি ওইফম থোকপা ইন্দিয়ন ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি, করিগী মীমান্নবা ঙমদ্রিবা- খঙফম থোক্ত্রা ফিল্মদা ঙাওজবা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী শিন্মীশিং? ফিল্মদা ঙাওজবা মণিপুরগী মীয়াম, ঙসিদি হান্নগুম বোল্লিৱুদ ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী মার্কেট সেন্তর অমদা লৈবা কঞ্জুমর অমগুম লৈবা য়ারক্ত্রে। মতম অসুক কুইবসি ‘মণিপুর’, ইন্দিয়ন ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী শরুক অমা কৈদৌঙৈদা ওইরকখিদে। মতম কুইনা হিন্দি ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী অচৌবা মার্কেট অমা ওইরম্মী। মতমদুগী মার্কেটতা লমদমসিগী লৈহাওদগী তরক তরক পুথোকপা ফিল্ম অমা অনীদুনা, ইন্দষ্ট্রিএল পার্টনর ওইনা মার্কেট সেয়র অমত্তসু লৌঙমখিদে।

শেন্নহৌদ্রবা মীকুপ অমা থুংলখি। লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা ফিল্ম মার্কেট (হিন্দি ফিল্মদা তাংজবা) থিংজিনখি। মার্কেটতুদা তাংজবা শিন্মী কয়া শিন্থোং খঙদা ঙাওচৎনখি। লো মেকর, লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সি, লৈপাক ঙাকপা লৈঙাকপা ওইরক্লিবা ফিভমদু তুমিন য়েংবা নত্তনা করিমত্তা তৌঙমখিদে। লৈকংলা ওল্লবা লৈমায়দুদা অনৌবা পাম্বী খরা তরক তরক হৌরকখি। অচৌবা লৈকোল ওইহন্নবা মহৌশাগী নোংজু ঈরীত্তুদি খিকপীনবা নোংদোল লৈমদুদি লাকখিদে। ফিল্ম আর্টপু নুংশিবা নৌরিবা নাৱা খরনা, পীক্লবা ঈশিং চাইবী পায়দুনা, লৈখোঙ শোমদুনা পাম্বী খরা থারকই। হম হম চাউখৎলকপা উবদা খল্লুই - লৈকোল অসি হিংলনি।

অদুবু হৌরক্লিবা হৈপাল লৈপালশিংদুদি অতিয়াগা তেমশিংননা হৌঙম্বা, কুমজা কয়া লেপ্পাইদনা উহৈ পীগদবা হৈপাল অমত্তসু য়াওরমদ্রে। কুমজা কুমওন ওল্লকপদা লেপকং কংগদবা পাম্বী ঙাক্তা লইরস্লে। ঙসিদি অকিবা পোল্লক্লে - লৈকংলা অমুক ওল্লদ্রা?

ঙরাং লিংখৎখিবা মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি- লেপকং লেপকং কংলবা হৈপাল-লৈপালনা থল্লবা লৈকোলদুগা চাংদম্লবা য়াবরা? ৱাখলসিদা ফাওরকপনি। মালেমগী ফিল্ম লৈকোলদা শীংথানিংঙাই ওইবা হৈরাং লৈরাং মশক নাইনা পুথোকপা ঙমদ্রিবা ইন্দিয়ন ফিল্ম তাইবংদা, ঙসি মণিপুরগী মফম কদায়নো? ঙরাংদি লৈরম্মী পাক চাউরবা তাইবঙদুদা মণিপুরী ফিল্মগী তোপ তোপ্পা তশেং তশেংবা মফম অমা। কুমজা ১৯৭২ দগী থেঙনা লমজেল য়াওরকখিবা মণিপুরী ফিল্ম চহী ১০ শুফাৎত্রিঙৈ ইন্টরনেসনেলগী থাক ফাওবা চেনখৎলুই। ইন্দষ্ট্রিয়েল ভেল্যু লৈবা ফিল্ম নত্তবা, আর্টিষ্টিক ভেল্যুদা হেন্না মিৎয়েং চঙলগা ফিল্ম পুথোকপা রিজনেল ফিল্মনা ইন্দিয়ন ফিল্মগী মশক তাকপা তাঙ্কক অমা লৈখি ইন্দিয়ন ফিল্মগী খোঙচৎতা। খোঙচৎতুদা থোক্লকখিবনি - বেঙ্গলী ফিল্মগী সত্যজিৎ রাই, রিতিক ঘতক, মৃনাল সেন, বুদ্ধদেব দাসগুপ্তা, গৌতম ঘোষ; টামিল ফিল্মগী কে বালাচন্দর, বালু মহেন্দ্র, ভারতিরাজা, মনি রতনম, মালয়ালম ফিল্মগী অদুর গোপালকৃষ্ণন, সাজি এন করুন, জোন অব্রাহম, জি অরবিন্দ্রন; তেলেগু ফিল্মগী কে এন টি সাষ্ট্রি, বি নরসিং রাও; হিন্দি ফিল্মগী মনি কৌল, কুমার সাহনি, কেতন মেহতা, শ্বাম বেনেগন, গোবিন্দ নিহালানি, বিজয়া মেহতা; ওরিয়া ফিল্মগী নিরদ মহাপত্র, আসামগী জানু বরুআ, মণিপুরগী এ শ্যাম শর্ম্মা অসিনচিংবা ফিল্ম মেকর কয়া।

অতোপ্পা লমগী ফিল্ম অমদি মখোয়গী কৈথেল নৈনগুমসি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরী ফিল্ম অমদি মাগী লাইবক হাইফেৎ শাফেৎতং নৈনসি। দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা য়ারবা ঐখোয়গী ফিল্ম আইকন এ শ্যাম শর্ম্মা ঙসি করিগী ফিল্ম পুথোক্ত্রিবনো? মহাক অমদি মহাক্লুম, ফিল্ম হায়বা আর্টসিগী এষ্টেটিক্সতা হেন্না ঙাওজবা মণিপুরী ফিল্ম মেকরশিং, ঙসি মণিপুরী ফিল্মগী মরমদা করি ৱাখল খল্লিবগে? করি তৌগে খল্লিবগে? করিগুম্বা খরদি হায়দোরকপা, ঙাওথোরকপা ফত্তরা? পীক্লবা মণিপুরী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি, দিজিটেল ফোর্মেটতা শেমগৎলকপা মতমদুদা সিরিয়স ফিল্ম মেকরনি খঞ্জবা ফিল্ম মেকর অমত্তনা চোংথোক্তুনা য়াওনদুদা য়াওশিনখিদবা করিগীনো? অচৌবা ইশ্যুনি অরুবা ৱাফমনি। অমুক্তংদি পব্লিক দিবেট তৌনদুনা নৈনবা চুম্বনি। পোলিটিকল কন্সিদরেসন্দগী অৱাং নোংপোক্তা হাংগদবা সেন্ত্রেল ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুসন অদু ইম্ফাল (মণিপুর) দা হাংফম থোকপদা অরুনাচল প্রদেশতা হাংনবা ফিরেপ লৌখিবদা ৱারৌরবা মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট হাংলকপা মণিপুর মীয়াম্না তরাম্নবুদি ওকফম থোকই, ওক্লি। অদুবু, ইমোসনেল ওইরবা মীয়াম্না (ফিল্মগী শিন্মীশিংনা) ৱারৌখ্রনি মতাগুম, হান্না তৌফম থোকপশিংদু অমত্তসু তৌদনা হেক্তা শঙ্গাশিল্লকপা - প্রাক্টিকেল ওইবা এপ্রোচ অদুদগী নাথৈরগা ফোঙদোক্তবা ৱাফম খরা মাঙওইনরগা পায়খৎলকপা থৌরাং অমরা? চিংনদবা ঙম্লক্তে। মরমদি মণিপুরী ফিল্ম চাওখৎহনবা অমদি অফবা ফিল্ম পুথোকপদা মতেং পীনবা লিংখৎখিবা ‘মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন’ - মশাগী পান্দম ফংঙমদদুনা মুৎথৎলগা সোসাইটি ওন্থোকখ্রবা মতুংদা মণিপুরী ফিল্মগীদমক ‘মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি’না করি তৌখ্রবগে খন্নরিঙৈ তাল্লক্তা, চাউখ্রবা ষ্টেট ফিল্ম ইন্সটিট্যুট অমা চলাইবগী থৌদাং হাপকৎলকপা - চিংনদবা ঙম্লোই কনানা, করম থোক্লগবা হয়েংদি? ইন্দষ্ট্রি অমা চলাইবা ইমোসন’না মাঙওইনগদবা নত্তে। ইন্সটিট্যুট অসি লিংলুবা ইন্দষ্ট্রিসিগীদমক্লি। ইন্দিয়ন ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিনা মীমান্নবা ঙমদ্রিবা - সিনেমা য়েংবীনবা মী ৯৬,৩০০ খুদিংগী সিনেমা হোল অমমমখক লৈবননি খন্নরি। অমেরিকাদদি মীকোক ৭৮০০ খুদিংগী সিনেমা হোল অমমম থুংই। ঐখোয়গীদি কমদৌবা?

সিনেমা য়েংবা মীশিংগী নুংঙাইনবা, অপাম পামদা থম্মোয় ইহুল কনানবু খঙনা থবক তৌবিখ্রবগে? সিনেমানা শেন্দাল লন্বী ওইবসু, ফিল্ম কলানা শিনফম ওইনা শিনপাংবসু?

# পোলিটিক্সতা চহী হেনবগী খুদোংচাদবা

### সোরোক নোরেন

**য়াম্না** থাজদবা থৌদোক অমা হায়গদ্রা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী অনন্দিবেন পটেলনা মশাগী চহী ৭৫ শুরকপদগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখি। থৌনা ফবী হায়গদ্রা পার্টিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎপী হায়গদ্রা হায়নীংবা অমা হায়বদা ইয়াদা য়ারে হৌজিক্তি। মশাগী চহী ৭৫ শুরকপনা মরম ওইরদুনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম মশানা খঙনা থাদোকখ্রে। মসি ফাওবদি থাগৎতবা ঙম্লোই। ষ্টেট অমগী নিংথৌ ওইরিববু পার্টিগী চৎনরোলদা অকায়বা লৈ হায়দুনা মশানা খঙনা মশাগী খূৎয়েক পীদুনা ফম থাদোকপা ঙম্বগী থৌনাদুবু থাগৎতনা তোক্কদ্রা।

ঐখোয়গী ইরমদমসিদদি পংকুই কুইদনা লোইশিন্নখিবনি। লৈঙাক্কী ঙমথং খনবা ওইনসু লৈরিবা অদুগা পার্টি অদুগী প্রসিদেন্টকী ফমসু অনীরক শুপ্না পায়শিন্দুনা কয়া কুইনা খাংদুনা লৈনখিবনো। মশাদা কৎথোকপা হায়বা ৱাহৈ অসিগী মপাঙ্গল ইহাপ হাপ্লদবগুম তৌনরিবা মওংসি ইফ ফজদে। ঙরাং নহানসুনি ইম্ফালদা লৈবা কেন্দ্র অমগী সেনিয়র পোলিটিসিয়ন অমনা য়াম্না ৱানা হৌদোকমিন্নরকপা মাগী পার্টি থাদোক্লম্লগা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্তা মতুং ইন্নিংবদগী খল্লকপা ৱাখলদুবু পাউথোকপীখিবদো। হৌজিক্তি কেন্দ্র অমদা মতিক চাবা ভোট লেপ্পা য়াবা মীওইসি ফনা নীংথিজনা মরাং কায়রে। কাবগী ৱাদি খঙদেকো। লেপ্পা য়াবা মীওইবু হায়বগী ৱানি। জে সি বি ১০ দগী তাদবা, টাটা ডিপর ২০ গী মথক্তা লৈবা সোসিয়েল ৱার্কর ফনা মরাং কায়নরে। মসিমক্লি মমিংদি পঞ্জদ্রবা কেন্দ্র অসিদা শেল মরাং কায়না লৈবদগী ভোট লেপকনি হায়দুনা মীয়ামগী থৌগল তৌজরকপা চহী ফনা য়াম্লে। অদুবু সেনিয়র পোলিটিসিয়ান অদুনা অচৌবা পল অমা ওইবদগী মঙম শান্দনা লৈরকপদু হন্দক গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পটেলগী ফোর্মুলা পান্দুনা লাউনবা হৌরে। অহল ওইরবা মীওই হায়রগদি চহী ৭৫ গী মথক্তা লৈবশিংনা ভোট লেপ্পা য়াহন্দবা হায়বা চৎন-কাঙলোন অসি ঐগী ইরমদমসিদসু চৎনহন্নিংবগী অপাম্বনি নহা ওইরিবা সোসিয়েল ৱার্কর অদুনা পাল্লিবা। সেনিয়র লিদর অদুনা মরোল অমা মা মশা লেপ্তুবা য়াদবগী মওংদা কন্না ঙাঙলি। নিংথৌ ওইনিংদববু কনা য়াওবগে। ওইববু য়াগনি হায়রবদি চোংথোক্লরক্লিবসিনি। হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদদি অঙকপা কুম্মৈ অমা ওইগদৌরিবনি।

কেন্দ্র অমগী ভোটর মশীংদগী লেপকদৌরিবা কেন্দিদেট মশীংনা হেল্লিগা হায়নবা কেন্দ্রসু য়াওরকপা কনানা খঙবা। মতিক চাবা চাদবা ঐ ইশানা মতিক চারে হায়দুনা খঞ্জবা সোসিয়েল ৱার্কর ময়ামশিংসে হন্দক্তি মীয়াম্না পাড়া অমা তম্বীবা মথৌ তারমাল্লে খল্লি। লৈবাক্কী থৌগাইদা মথ্বায় থাদোকপা ঙম্বা থৌনা ফবা লুচিংবা কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদু ফিলটর অমা তৌদুনা য়েংথোকপা য়াম্নমক্কী মথৌ তাই। হৌবমখৈ হৌরুরবসু পোলোইদা পোলিটিক্সকী লন্বীসিনা হেক্তা অরোইবা ওইনবা হোৎনরক্লিবা মণিপুরগী হায়গদ্রা মফম খুদিংমক্কী চৎনবীসি শেমদোকপা অমদি মথৌ তাই। মসি শেমদোক্কে হায়রবদি ঐখোয়গী শক্তিগী মখা পোল্লি। লেপ্পা য়াবা য়াদবা হায়বগী চৎনবী অমা ঐখোয়না শেম্বা তাবনি। অদুবু ফনা কন্না কন্না লাউরমগনি ইলেক্সন ময়া নক্লকপদদি মাগী মাগী ওইজ ওইথক খরগীদমক হেক্তা শিবা কিনদে। মসিনা মতিক চাবা মীওইনি, কেন্দ্র অসিগী কান্নবা তৌরক্কদবা অমদি লৈবাক্কী ইশ্যু কয়াদা মাঙজিন থানা চোংথোক্কদবা কেন্দিদেটনি খনবগী মতম লৈনরোই। মানা-মানা অপাম-অপাম্বা কেন্দিদেট অদুনা মতিক চারে হায়দুনা হেক্তা খন্নখিনি। ঐখোয়না ৱাখল তামন্দবদুনা নৎত্রা জে সি বি খরগী মপুনা শান্ননিংবা মওংদা ঐখোয় পূম্নমকপু করিসু খন্দনা উরিবা । লুপা ৫০০ চৎপী, ১০০০ চৎপী খরনা পূম্নমক লৈবা য়াবা ভোটর ঙাক্তনি খলহল্লিবসি কনাগী মরমচৎনো? অশেংবনি ভোটর ঐখোয়গী পাঙ্গল শক্তি পূম্নমক কাখ্রবা মতুংদা তৌরক্কদবা থৌওংশিং হান্না লোইনা উনরবা ঙাক্লি। অদুনা কাদ্রিঙৈসিদা চপ চানা মশক খঙদোকপা অমা মথৌ তাই হায়রিবসি। অদুবু হায়রিবা থবক অসি তরাই তরাইবদি নত্তে।

ঐখোয় ইশানা মতিক চাই হায়দুনা ইশাগী ভোটিং রাইট অদু চপ চানা পাঙথোক্তুনা থাগৎখিবা মীহুৎ ঙাক্তনি। আই এল পিগী খোঙজংদা ঐখোয় পূম্নমক্না অশি-অনা, অশোক-অপন কয়া য়াওদুনা তৌগদবনি হায়দুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনখিবদো। মদুগুম্বা অরুবা লৈবাক্কী অচৌ অচৌবা ইশ্যু কয়াদুদা মীয়ামগী ইহুল খঙনা তৌফম থোকপদু তৌরক্তবদগী নৎত্রা নিঙাই শংদাইনখ্রিবদো। মদুনসু অফবা পোলোই তানবসু ঙমখিদে। কেন্দ্র ৬০ গী মনুংদা ২০ খক্না তোখাই তাখ্রবসু লেমহৌরিবা ৪০ গী পাঙ্গল ফুদোকফম থোকপদু ফুদোক্তে, সি নৎত্রনে ঐখোয়না ঙাঙনরিবসি। ৱা ঙাঙবসু থোক্তবা মীহুৎ ময়াম অমসু য়াওরি। লৈবাক্কী লুচিংবা ওইবা হায়বদুদি ৱাহৈ অমখক ঙাঙবনা মীয়ামগী থম্মোয়দা নুংশিবগী মমি চাওনা তাদুনা মানা ঙাঙবদু তানিংহনবা, তৌথোরকপা থবক খূৎতৌনা খল্লম্বদুগী শরুক চাম্মা হেন্না তৌরকপা অচংবা মীওইনি লুচিংবা হায়নরিবসি। ঐখোয় শ্বাইগী লুচিংবা হায়রিসিদি শুমাং লীলাগী লুচিংবগুম্বা কয়া অমসু য়াওরি। এম এল এ, মিনিষ্টর ওইদ্রবদি লৈবাক্কী সেবা তৌবা য়াদবা জাৎলা। ফুরুপকী মপানি হায়নরিবা মহাত্মা গান্ধী লৈবাকসিগীদমক্তনি মথ্বায় কৎথোকখিবা। অদুবু পোলিটিকেলগী ওইবা অচৌবা ফম অমত্তসু পায়খিদে। ঐগী ইরমদমসিদসু সোসিয়েল ৱার্করগী মপানি খঙনরিবা অহল ইবুঙো অহিংবা মরক্তা থৌনাওজম ইবোয়াইমগী পুন্সি কয়াদা ফিদম্নিঙাই ওইরিবা। লৈখিদ্রবা লময়ানবা ইরাবতনসু ইরমদমসিগী খন্দুনা কয়া ৱানা হোৎনরম্বা। অদুবু ঙসিগী মীরোলনদি পোলিটিক্সকী নামাদা লুচিংবা ওইনবা হোৎনবদা কয়াগী মতিক অচোপ অরেং খঙনদ্রিবা। মসিমক্লনি ঙসি ঐগী ইরমদমসিদা তংদু লৈতানা লৈবা ফংদ্রিবসি।

থংনরিবা ষ্টেট আসামদা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা পায়খৎলক্লিবা চাওখৎ থৌরাং কয়া য়েংবা য়াবা ঙাক্তা ওইনা উরি হৌজিক ফাওবদি। আসাম পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী পরিক্ষা খুদিংমক পরিক্ষা তৌবা পুং ৩ গী মতুংদা ফল হায়দোক্কদবনি অমদি য়াম্না ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংশিংগী মচা মশুশিং লেম্না লাইরিক তমহনগনি অমদি মপূং ফারবা স্পোর্টস পার্সন চহী অমদা ৬০ গী মথক্তা থাদা পেন্সন ওইনা লুপা ৮০০০ পীগনি অমদি ৱান টাইম গ্রান্ট ওইনসু লুপা ৫০,০০০ পীগনি হায়দুনা খনগৎলবা মীওইশিংগী লিষ্ট ফোঙখ্রে। অসুম্না লিটরেরি পেন্সন স্কিমসু স্পোর্টস পার্সনগুম্না চপ মান্ননা পীনবা লিষ্ট থোকখ্রে। অপূনবা আসামগী ওইনা উদুনা শেম্বা য়াবা শেম্নবা হোৎনরি। শুপ্নগী মাবু থাগৎলক্লিবা কেন্দ্রখক্তগী ওইনা উবা তৌদ্রি। পার্টিগী মিৎয়েংদা উরুদ্রগসু সোনোৱালগী কৎথোকপা মীয়ামগীদমক খল্লিবা ৱাখলশিং অদু চাওয়েং য়েংবা কান্নগনি খল্লি। ঐগী ইরমদমদদি ঐখোয় মশেল হুন্নদুনা ৱা চাওনা চাওনা ঙাঙবদা অরেম্বা শরুদুনা অহেনবা তান্নরি।

মমাঙদা অচৌ অচৌবা ওফিসার কয়া থবক্তগী পোত্থারগা পোলিটিক্স য়াওদুনা লৈবাক্কী থৌগাই পাঙনবা হোৎনবদা মাঙজিল থারম্লবসু পোলিটিক্সকী কাংখুনমক মেনশিনবদি ঙম্বা ইয়াও য়াওনদ্রি অদুবু য়াম্না নহা ওইনা মখোয় মখোয়না পায়রিবা পুলিসকী অচৌবা শিনফমদুদা মায় পাকখ্রবা মীওই অনীনা হন্দক চাওখ্রবা আই পি এসকী পোষ্ট অনীমক থাদোক্লগা পোলিটিক্সতা খোঙদারনি হায়রিবসিসু য়াম্না নৈননিঙাই ওইরি। টি ঐচ রাধেশ্যাম, টি ঐচ বসন্ত আই পি এস ওফিসরগী ফম থাদোক্লগা রাধেশ্যামনা হৈরোক এ সিদা অদুগা টি ঐচ বসন্তনা নম্বোল এ সিদা মীরেপ ওইরনি হায়দুনা চোংথোরক্লিবা লৈবাক্কী করিগুম্বা খরদি তৌরগে খন্না চোংথোরকপা মাল্লি। মখোয় মখোয়গী সার্ভিসনা লৈবাক্কীদমক থৌগাই পাঙজরবসু মনিং থুংদবা অৱাৎপা খরদি লৈবা মান্দুনা চোংথোরক্লিবা করিনি হায়না লৌবা য়াই, য়েংবা য়াগনি খল্লি। শেলদগী, শক্তিদগী অৱাৎপা অমত্তা লৈতবা আই পি এসকী ফমনা ওইবা য়ারক্ত্রবনি খল্লক্লিবা ৱাখল তরাইনা লৌবা য়ারোই। মশা মশানা পুরল্লিবা সার্ভিসকী কেরিয়রদা অমকপা অমত্তা য়াওদনা লৈবাক্কী থৌগাই পাঙদুনা লাক্লবা ওফিসারনি। লাইরিক্কী মঙাল, মপান লমগী চাওখৎ লমজেল, ওফিসকী থবক খূৎশু অৱাৎপা অমত্তা লৈতনা খঙলবা মীওইশিংনি। অহিং নুংথিল নাইদনা মীয়ামগী থৌগাই পাংদুনা লাক্লবা চাওখ্রবা আই পি এস ওফিসার অনীগী ৱাখল পোলিটিক্সকী কাঙলোন্দা কয়া য়াম্না চুম্না তৌরকপা হায়বদুদি ঐখোয় পূন্না য়েংমিন্নবা তারি।

চহী হেল্লি-হেন্দে হায়দুনা লাংনরিবা পোলিটিক্সকী অনৌবা পন্দুপসিমদি হায়রিবা পুলিস ওফিসার অনীসিদদি থোক্ত্রবনিনা মখোয়না অপাম্বা মীয়ামগী থৌগাই পাঙগদৌরিবা অসি অনৌবা পাড়া অমা ওইনা য়েংবা য়াগনি খল্লি। অদুবু লমদমদুগী মীয়ামনা করি খল্লিবা মদুমদি খজিক্তং ঙনমল্লি হায়না লৌবা তাই। অদুগা মীপূম খুদিংমক্না অরোইবা পান্দম ওইনরিবা পোলিটিক্সকী লন্বীসিদি য়াম্না লুবা মাল্লি। চহী ১৬ চরা হেন্দুনা শাংলবা পুন্সি লম্বেলবু পোলিটিক্সনা মাঙওইনরগা লেপ্পল্লক্লিবা শর্মিলাগী ৱাখল মীয়ামদা করি ওইনা উহল্লি। ঐ চীফ মিনিষ্টর ওইনীংই হায়দুনা হেক্তা ওইবা য়াবরা? চীফ মিনিষ্টর হায়রিবা পোষ্ট অসি তরাই তরাইনা ওইবা য়াবা নত্তে। অহানবদা কেন্দ্র ৬০ সিগী মনুংদা কেন্দ্র অমগী মীহুৎ ওইনা কাবা তাবনি। মথংদা মাগী পার্টি অদুনা য়ামদ্রবদা সিট ৬০ গী মনুংদা সিট ৩১ দি ফংলে হায়বগী অয়াবসু লৈগদবনি। মতুংদা মখোয় ৩১ অদুনা মখোয়গী মতিক চাবা ফিরেপ ওইনা অচৌবা পার্টিগী মকোক থোংবা কয়াগী কোক চুংশিন্নরগা য়েৎনবা লৈতনা খল্লবা মীশক অদুবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌহন্দুনা থৌ পুহনগদৌরিবনি। হায়রিবা লম্বেল অসি শর্মিলাগী ওইনদি খরা লাপ্পা উবগুম তৌরি। অদুনা পোলিটিক্সকী খোঙচৎকা অতৈ শিনফমশিংগী খোঙচৎকা য়াম্না খেন্নবা লৈগনি নীংই। অওনবা খুন্নাই অমা ওইহনসি হায়রবদি য়ং য়ং লাওবা পুলিস ওফিসরসিগুম্বা থৌনা লৈবা নহারোল খরা চোংথোরকপা মথৌ তাব্রা হায়না খল্লি। চহী হেনবা হেন্দবগী ৱাফম্না তোঙান্না থল্লগসু অরিবা অহল্লোনগী অরিবা পোলিটিক্সকী ৱাখলসিদি পুমহোং হোংহন্নিংই হায়বসিদা মীয়ামগী মত ওইনা থমজরি।